ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জলাই ২৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১২৪শুবা মশীং

## মাইবা শুমচিৎ

### পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি

করিগুম্বা ৱাফম/ৱারোল অমা চুম্নতগী লন্নাই মীওই অম-নি খক্তং খঙবদগী/খঙমিন্নবদগী হেন্দোরক্তুনা মীপূম তিংনা খঙহন্নবগী পাম্বৈসি মতম অমদা য়াম্না লিক্লম্মী। অকক্লবা/অরেপ্পা খরখক্তমক ওইরম্মী। ফীভমসি মালেমগী ওইনসুনি, লৈবাকসিগী ওইনসুনি। লৈঙাক, লন্নাই লূপ নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমনা মীয়ামদা শন্দোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনরকপদা রেদিওগা পাউচে খরগদা ওইরম্মী। টেলিভিজন পুথোরকখিবদগী অনৌবা পাম্বৈ অমা হাপকৎলকখ্রিবনি। অদুবু পাম্বৈ অহুমসি লৈরবা ফাওবদা কাচিন-কোয়া শিন-থুংহল্লম্বা ঙল্লমদবদগী লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নরম্মী। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙহন্নীংলিবা/ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাফমশিং চেদা নন্নগা নোংথক্তগী ফাওবা চাইথবা য়াওখি। থৌওংসি মীয়ামগী লূপ খরনসু নোংথক য়ৌনা কাখৎলুবা ঙমদ্রবসু চে চাইবগী থবক তৌনরকখি। অদুবু হৌজিক্তি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াশিংগী ফীভম ফগৎলক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎলকপগা ইরোয়ননা সোসল মীদিয়া হায়ব'মসু থোরক্তুনা করিগুম্বা ৱাফম/ফোটো/ভিদিও অমা মীয়াম হুপ্না হেক্তমক প্রপ-প্রপ য়ৌহন্দুনা খঙহন্নবগী পাম্বৈশিং লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরে হায়বা ফাওবা য়ারে। অদুবু ইনফোর্মেসন য়ৌহনবা/পীবগী পব্লিসিটি/প্রোপেগন্দাগী পাম্বৈ মশীং য়ামখৎলকপা, মাস কম্যুনিকেসন/টেলিকম্যুনিকেসনগী লম্‌দা খুমাঙ চাওশিল্লকপগী ফীভমসি য়ৌরকপদা মণিপুরী খুন্নাইগী মীয়ামগা হকথেংনরিবা থবক-থৌরমশিংগী মতাংদা এক্সপার্ট/অখঙ-অহৈ কয়া থোরকই। থোরক্লিবশিং অদুগী মনুংদা অকক্লবা হীরম অমদা মমুৎ তানা নীংথিজনা খঙ-হৈবা, খঙবা হৈবনা শিনফম ওইবা মীওইশিংসু য়াওই। অকক্লবা হীরম অমদা প্রোফেসনেল ওইনা খঙবা ওজা, এক্সপর্ট, স্কোলর, স্পেসিএলিষ্টশিং য়াওই। অদুগা অকক্লবা, অরেপ্পা হীরম/সবজেক্ট/টোপিক অমত্তদা মখোঙদগী খম-থেঙনা শিৎ-নান্না খঙদবা, মীয়াম্না হকথেংনদুনা চিন্দোন-লৈতোনদা পক্লরকপদগী ৱাওরি-ৱাওরিদমক খঙলগা পুল্লপ খঙবা-হৈবদৌনা ঙাঙথোক-শক্তোরকপা, অনীংবা-অপাম্বশিং ফোঙদোরকপা মীওইশিংসু ফৌমান্দৌনা য়াওশিল্লকপা হৌরক্লে। মসিমক্তি পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি হায়হৌদবা য়ারোই।

মণিপুরগী চারোল-শুরোলশিং য়ৈনা লৈরক্লিবা পূমচুম-চুম্লবা হায়ন-ৱাদা 'থন্দবা চফু মখোল থোকই' হায়বা লৈ। থৌদোকসিগী ৱাফমসি ইংলিস লোলদসু লৈরবনিনা অতোপ্পা মালেমগী ফুরুপশিংদসু লৈরমগনি। অদুবু অকক্লবা/অরেপ্পা হীরম অমদদি মনুং থিৎনা খঙদবা, মপান্থোংগী কুরাংবানগী শরুক খরখক্তমক খঙলগা এক্সপর্ট/স্পেসিএলিষ্ট শাদুনা এদভাইস পীবা য়াওনা কোথ-কোথদুনা তরেৎ-তরা থোক্লগা ঙাঙ-শক্লকপগী ফীভমসিদি মীগী লোলদসু লৈরমগনি, মণিপুরী খুন্নাইদসু 'মাইবা শুমচিৎ' হায়দুনা খঙনরকই। মসিদি চুমদে। অসিগুম্বা মীওই মখলসিনা ঙাঙথোক-শক্তোকরকপশিংদু তারগা শঙ্গোমগা ঈশিংগা তোঙান-তোঙান্না মশক খঙদোক্তুনা খায়দোকপা ঙম্বা মীওইশিংদদি থোইদোক্লা চৈফু-চৈথেং পীদে। অদুবু অচুম-অরান লেপথোকপা ঙমজদবা মীওইশিংদদি মখোয়গী অচুম্বা মানবা ৱাহৈ-ৱাতা অমসুং মফোঙদোক্তুনা লান্না লমজিংবীবা শোয়দনা য়াওরক্কনি। মদুনা করিগুম্বা মতমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ফাওবা থোকহল্লক্লবগী মরমশিং ওইহল্লকপা য়াই। মরমশিং অসিনা মসিগুম্বা পনখৈগী মখাদা লৈরিবা মীওইশিংনসু লৈবাক মীয়ামগী কান্নবা অমসুং মরু ওইবা ইস্যুনি/ৱাফমনি হায়দুনা থিক নেম্বা মীওইনা থা লাম্মী হায়বগী ফীভমদুদা তেমশিংনরোইদবনি। হৈরগা হৈ, খঙলগা খঙই, হৈত্রগা হৈতে, খঙদ্রগা খঙদে হায়দোকপা ঙমগদবনি। লায়েংশঙ অমদা চহী ৩০ চৌকিদার ওইরক্তুনা লায়েংশঙদুগী মরমদা শিৎ-নান্না খঙলে হায়দুনা মেদিকেল ওফিসরদা প্রমোসন পীবা য়াবা হৌনদে। লায়েংবা লাকপা পেসেন্টশিংদা সিরিঞ্জ পায়দুনা হীদাক কাপ্নবা হোৎনরুবা চুম্লোই হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইরমদমসিগী হিংনবগী লানফম ময়ায়সিদা

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

পীকখ্রবা ইরমদম মচাসিগী হিংনবগী লানফম ময়ায়সিদা ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম ঐখোয়না হিংনবগী লম্বী থিবদা ককঙাওনরি অমসুং লৈকংদা ঈরাক্লবগী থৌদৌগুম ৱাখল চনিং-চমাং অমত্তা শম্নদ্রি। ইরমদমসিনা অপীকপা চীংগী ষ্টেট মচা অমা ওইরম্বগা অমসুং মশাগী পোখোক অমা ফাওবা লৈজদবা ষ্টেট অমা হায়বদু চপ চানা ওইরম্বগা মরম অনীসিনা ইরমদমসিদা পোক্লবা ঐখোয় খুদিংমকসি লাইবক য়াম্না থীবা মপোক অমমম হায়বদু নমদুনা ওইহল্লে। ষ্টেটসিদা হিংনবগী পাম্বৈ থিবদা মহৌশানা লৈঙাক্কী থবক খক্তদা চাদা মরিফুতরা হেনবগী চাংদা ষ্টেটসিগী থবক থিরিবা নহাশিংনা থবক ফংনবগী পান্দমশিং থম্নরি। থম্নরিবা পান্দমশিংসিগী মরমদি লমদমসিদা লৈঙাক্কী থবক নত্তনা হিংবা ঙমগদবা অতৈ লন্নাইগী ওইবা থবকশিং অমত্তসু নিংথি-নুংঙাইনা লৈতে হায়বসি ষ্টেটসিগী মীয়াম পূম্বনা ময়েক শেংনা খঙই। অদুগা প্রাইভেট কম্পেনিনচিংবা মীয়ামদা লন্নাই ওইনা থবক পীবা ঙম্বা কাঙবুশিংসু লমদমসিদা নিংথি-নুংঙাইনা অমত্তা চলাইদে। প্রাইভেট কম্পেনিশিং চলাইনদবগী মরমসিনা লমদমসি চীংগী শরুক্না নম্বা ষ্টেট অমা ওইরুবসিননি। চীংগী শরুক্না নম্বা ষ্টেট ওইরুবনা লমদমসিদা চখোক-চৎশিন অমদি অতৈ ট্রান্সপোর্টকী ওইবা থৌদৌশিং খুদিংমক্তা মশীং থিঙমদনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। পূন্নমকসি লৈবনা লমদমসিদা লৈঙাক্কী থবক তৌবা খক নত্তনা তঙাইফদনা খুমাঙ চাওশিন্না অমসুং হুমাং কাংনদনা হিংবা য়াগদবা অতৈ লম্বীশিং থবক্কী ভেল্যুসি নোংম-নোংমগী হায়নীংঙাই লৈতবা মখৈ অসুম-অসুম ৱাংখৎলক্লিবসি। অদুগা অমরোমদনা, ফীভমসিমক্না লৈঙাক্কী থবক অমত্তংবু ফংহৌরবদি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা লমদমসিদা শেঞ্জা-থুমজাগী অমসুং অতৈ ৱাচৎ-ৱানোম মখল কয়ামুক্কী থৌদৌশিং হায়নীংঙাই লৈতনা চাং ৱাংখৎহল্লকই। থৌদৌশিংসিনা ঐখোয়গী ইরমদমসি তশেংনমক শেঞ্জা-থুমজাগী থবক্তা মপূং ফানা খূৎ থাদনরবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরিবনি।

মতমগী মতুংইন্না ঙসি ইরমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংসিনা চাউবা মপূং ফাগৎলক্লবা অমসুং মহৈ-মশীননচিংবশিং তম্বা লোইশিল্লক্লবা মতমদা করি থবকনো মখোয়না তৌরগা হিংহৌগদৌরিসি? মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী মরোল-মরোল নাইনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংসিবু কদাই ফাওবা থুংননবা লৈঙাক্কী থবক পীবা ঙমগদৌরিবনো? মীপূম খুদিংমকপু লৈঙাক্কী থবক ফংহনবা হায়বসি মতম চূপ্পগী ওইনা ওইথোক্লরোইদবা থৌদৌ অমনি হায়বসিসু মতম লৈবা খিবিক্তা ঐখোয় পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। অদুগা মতমসিগী ঈচেলসিদা লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং খরদং লৌবা তারবসু য়োংয়াম মমাঙদা চয়োম ফাকপগী থৌদৌগা চপ মান্নগদৌরিবনি। অদুগীসু মথক্তা লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং লৌবগী থৌদৌসি মথোঙ মরম অমত্তা খঙবা নৎত্রি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং লৌবগা মরী লৈননা করিগুম্বা মখলগী শেঞ্জা থুমজা অমসুং মীচং-শঙ্গনগী ওইবা ৱাফমশিং অমত্তসু লৈঙাক্না মরী লৈনদে হায়বা ৱাফম লৈঙাক্না য়াম্না তোয়না শেংদোক্লি। করিগুম্বদা কনা-কনাগুম্বশিংনা লৈঙাক্কী থবক হাপতোক-হাপচিনগী মতাংদা শেঞ্জা-থুমজা অমদি ৱাচৎ-ৱানোমশিং তৌরম্বা থোক্লবদি লৈঙাক্না হেক থেংনবা মিৎকুপ্তা অদুগুম্বা মীশকশিংদু নমদুনা ফাগনি অমসুং ফারবা মীশক্তুদা মতিক-মপা চাননা এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়বা ৱাফমসু মীয়ামদা তত্তনা খঙহল্লি। অদুগা লৈঙাক্কী ৱাফমশিংসিগী ওন্ন-তৈনবদা অমুক লমদমসিগী মশীং য়াম্লবা মীচম-মীয়াম্না ঙাঙনবদনা মথক্তা থল্লিবা লৈঙাক্লা ফোঙদোক্লিবা থৌদৌশিংসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঙাক্তা লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী থবক হাপ্পগী থৌদৌশিং পাঙথোকই হায়বা ৱাফমসিনি। থবকশিংসি পাঙথোকপদা লৈঙাক্লা লৈঙাক খঙদে হায়জরগসু লৈঙাক্কী থবক ইনখাংশিং হাপ্পদা শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ৱাচৎ-ৱানোম্বগী থৌদৌশিং শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোকই হায়নবসু য়াওদবা নৎত্রি। অদুম ওইনমক মীয়াম্না মফম-মতম খায়দনা ঙাঙন-শক্লরিবা খুদিংমক ওথোরিটি ওইদবা ৱাফমশিং অমসুং ওফিসল ওইনা লৌবা য়াদবগী মরম কয়ামুক লৈবনা মীয়াম্না হায়নবা অমসুং ঙাঙনবা খুদিংমক অচুম্বা ঙাক্তনি হায়না পাউদম্বগী থবকসু হেক য়াদ্রি। অদুবু, অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লৈঙাক্কী থবক লৌবা নৎত্রগা হাপ্পগী থৌদৌসিদদি মতম পূন্নমক্তা চুম্না হাপ্পীগা-হাপ্তেগা, শেঞ্জা-থুমজা তৌইগা-তৌদেগা হায়বা ৱাফমশিংসি য়েৎনদুনা অদুমম্মক লৈহৌরদৌবা ৱাফমশিং ঙাক্তনি। হীরমসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱিটনেসশিং লৈতনা মতৌ করম্না লৈঙাক্তা মরাল শীরুগনি?

মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফমশিংসি ইরমদমসিদা হিংনবগীদমক শেম্থোক-লম্বেলশিং থিনবদা অহানবগী ওইনা লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং লৌবদা লমদমসিগী মীয়াম্না য়াই মুন্নবগুম মুন্নে হায়রিবা লৈঙাক্কী থবকশিং তান্নবগী থৌদৌশিংনি হায়রিবশিংদু খক্তবু খজিক্তং পাওদমজবনি। অসুম্না লৈঙাক্কী থবক লৌবগী থৌদৌশিংসি নত্তবা লমদমসিদা লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিং তৌহৌদবা কাঙবুশিংনা হিংদবা য়ারোই হায়দুনা ইরমদমসিদা করি-করি থবকশিং পায়খৎনদুনা হিংনরিবগে হায়বা ৱাফমসিসু মতমসিগী ওইনা খঙজিনবগী মথৌ চপ চানা তাই। তৌববুদি, ইরমদমসিগী ওইনদি লৈঙাক্কী থবক-ইনখাংশিংসি নত্তনা অতোপ্পা থবক ইনখাংশিংগী মরমদদি থোইদোক্লা পাউদম্লিংঙাইবুদি লৈত্রবগুম্বনি। লমদমসিদা লন্নাই কম্পেনিশিংগী ওইবা থবক ইনখাংশিং থোয়দোক্লা লৈতে হায়বা ৱাফমসিমা মথক্তা য়াম্না ময়েক শেংনা থমজখ্রে। লন্নাই কম্পেনিশিং লৈতবা লমদম অমা হায়বসি হৌজিক্কী মতমসিদবু লমদমসিনা চাওখৎপগী লমজেলদা কয়াম য়াঙনা চেল্লক্কদৌরিবনো হায়বা ৱাফমসিনি নৈনরিসি। লমদমসিগী লমজেল্লোয় ওইরিবশিংনা ফনা য়াঙনা চেনগে থৌরাংলবসু লমজেল য়াওবগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা লমদমসিদদি করম্না লমজেলগী মনা-মথুমশিংনো ফংগদৌরিসি? মতমসিদা করম্বা থাক ফাওবনো ঐখোয়গী ইরমদমসিনা চাওখৎলক্কদৌরিসি? লল্লোন-ইতিক্তবু ওইরোন ৎত্রগা চাওখৎ-খোঙথাংদবু ওইরো, হৌজিক্কী মতমদা চাউর-চাউরবা কম্পেনিশিং কয়ামরুম্না খুরক হাঙদবা মখৈ চগুংননা, কৃক-কৃক ইন্ননা লৈখ্রবা লমদমশিংদু খক্তনা মালেমসিদা চাওখৎ-লমজেলদা মাঙজিল থাবা লমজিংবা লৈবাকশিং ওইরকপনি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা ঐখোয়না ইরমদম মচাসিগী হিংনবগী লানফমদা চোঙথোক্তুনা হিংনবগীদমক শোক্লরুগদৌরিবা লানসিবু করম্বা মখলগী লান ওইরমদৌরিবনো? ঐখোয়গী ইরমদম মচাসিগী হিংনবগী লানফমসি কয়াম চাউবা লানফমনো? লানফমসিদা লান শোক্লরুরগা ঐখোয়না ফংলক্কদৌরিবা মহয়দুনা ঐখোয়গী পুন্সিগী হিংনবগী লম্বেল ওইগদৌরিবনি। ঐখোয়গী পুন্সিগী হিংনবগী লম্বেলসি কয়াম পাক-চাউবা লম্বেল ওইরমগদৌরিবনো? সিনি ঐখোয়গী ইরমদম মচাসিদা ঐখোয় পূন্নমক্কী হিংনবা লানফমগী ৱারী। ৱারীসিগী মনুংদনি ঐখোয়গী পুন্সিগী ওইবা মচৎশিংবু থৌবান্দোংগী চফুদা থোম-থোমদুনা মওং শেল্লকপগুম য়ৈদুনা শেল্লক্কদৌরিবসি। শুপ্নগী সনাবুল অমখক্কী মনুংদা য়াওবা ঈশিংনা কয়াম পাকপা লৈমায়শিংবু চোৎনবা ঈশিং চাইবা কোন্নগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসিগা ইরমদম মণিপুর মচাসিদগী থোক্লক্কদৌরিবা মণিপুরী ঐখোয়গী পুন্সিগী ফিরেপশিংগী ৱাফমগা অনীসি চপ মান্ননা চাংদম্লবা য়ারক্কদৌরিবনি। ঐখোয়গী ইরৈবাক-ইরমদম ওইরিবা মণিপুর ষ্টেটসিগী লৈজবা মচাক-মথুমশিংগী মনুংদগী মণিপুরী ওইরুবা ঐখোয় খুদিংমক্কী পুন্সিগী মহি ময়াইশিং খুদিংমক লোইনা শেম্বীরকপা ঙাক্তনি হায়বসি ঐখোয়না মতম চূপ্পদা কাউরোইদবা ৱাফম অমনি।

হৌজিক্তি মণিপুরী ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরৈবাক্কী ৱাফমশিং পূন্নমক ময়েক শেংনা খঙলে। অদুম ওইনমক মরাইবক্কী মহয়বু নমহৎতুনা মশাগী মরাইবক্কী মহয়বু মশাগী মপাম্বোমগী পাঙ্গলতনা নমদুনা অহোংবশিং পুরকখিবা মহাভারতকী কর্ণগুম ঐখোয়সু ঙল্লিঙৈদগী হৌদুনা ইহৈ-ইশিন্দা মায়পুননা হোৎনরকপা মী অমমম ওইনা হৌরক্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌবা য়ু পি এসকী এগজামশিং থাবদি য়াইদনা। ঐখোয় খরা হোৎনবগী মথৌদি তাগনি। অদু ওইরবদি অপীকপা ইরমদম মচাসিগী অপীকপা হিংনবগী লানফমগী মহয়দুদগী হেন্না খংচাউ চাওবা মহয় অমদি শোয়দনা ওইরনিদনা। মসিনি পাম্বোমগী পাঙ্গলতনা নেল্লবা লাইবক্কী পীক্লবা নোংদম্বু মহাভারতকী কর্ণনা খংচাউ চাওথোকহনখিবগুম ঐখোয়নসু চাওথোকহন্নবগী মরম। ... লৈবাক মচাশিং! পীকখ্রবা ইরমদম মণিপুর ষ্টেটসিগী মনুংদা হিংবগী লাইবক লেপকদৌরিবা মণিপুরী ঐখোয়গী ইরায়বকসি খিক্তং হেন্না ৱাংবা থাক্কী ইরাইবক অমগী মহয় ওইনা ফংনবগীদমক ঐখোয় খরদি হোৎনহৌবা শোয়দনমক্কী মথৌ তাগনি। ●

# মীওইবশিংগী মরক্তগী য়াম্না অতাঙবা অমা

## (চহী ১০০ শুবগী মপোক কুমওন কেদেটশিংনা পাঙথোক্কদৌরি-পুন্সিগী মহয় য়াল্লবা মী)

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

"Stop the Car. Find out why the young man carrying the old man at his back." Admiral R. L. Pereira, PVSM, AVSM, Chief of the Naval Staff না মহাক্কী ষ্টাফ ওফিসরদা হায়খি। নুমিৎতু মহাক প্রাইম মিনিষ্টর শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীগী এপোইন্টমেন্ট লৈবগী চৎলিবনি। ষ্টাফ ওফিসরনা মচানুপাদুগা ৱারী শানরবা মতুংদা Admiral Pereira দা পাউদমখি মদুদি মখোয় এইমস, ন্যু দেল্লীদা মপাদু লায়েংবগী চৎলিবনি। টেক্সি তোংনবগী পৈশা লৈতবনা মচানুপাদুনা মনঙ্গলদা পোরগা এইমস য়ৌনবা চৎলিবনি হায়বদু হেক তাবগা মহাক্না ষ্টাফ কার অদুদা তোংহল্লু হায়খি। ষ্টাফ ওফিসর, কেপ্তেন (নেভি) বাসুনা খুমখি "Sir, you have an appointment with Prime Minister and you will get late for the meeting." অদুগা Admiral Pereira না খুমখি - "You set up. You will do what I told you". কারদা মখোয় অনী তোংহনখি।


এইমসকী ডাক্তরশিংনা Admiral Pereira গী পর্সনেলিটি অমসুং মহাক্কী থম্মোয়দু উবদা ইঙক ঙকখি। মহাক্না হায়খি 'অহল অনাবসি' ঐহাক্কী রিলেটিভনি। মহাক্কী অনাবসি য়াম্না ফজনা য়েংবীয়ু। অমুক হন্না মহাক লাকখিগনি হায়জিনখি। মশক শুকখঙ খঙদবা মীওই অমগী থৱায় কনবদা অহেনবা ৱা খরা ঙাঙবদুদি, মীনম্বা ৱা ঙাঙবা কৌদে খল্লগা ঙাঙখিবনি হায়নরি। অৱাবগী মতেং পাংবা হায়বসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী অহানবা ইথৌনি।

প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবদগী হেন্না মরু ওইবদি, লম্বী লমখাংদা অৱাবা তারবা মচানুপা অমসুং নারবা মপাদু মতেং পাংলমদবা য়াদে খনখিবা Admiral Pereira নি। ঙসি ফাওবদা মালেমসিদা হিংলিবা মীওই অমত্তনা, ফম্নাইবা অচৌবা নৎত্রগা মচা অমত্তনা অসিগুম্বা থৌওংসি পাঙথোকখি তাদ্রি অমসুং উদ্রি। ভি ভি আই পিশিংগী চৎননবগী ট্রাফিক থিংবদা, অনাবা কয়াসু লম্বীদা শিবগী পাউদি তারে।

প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী গোল্ডন জুবিলিগী পব্লিকেসনদা Admiral Pereira না পাঙথোক্লল্লবা য়াম্না অতাঙবা থবকশিং ইরগা ফোঙখি। চহী ৫০গী লাইরিক অদুদা মহাক্তমক য়াওখি। মহাক্কুম্বা মীওইদি য়াম্না তমজনীংঙাইনি। লাইপোকগুম্বনি। মহাক্কী থম্মোয়গা অতোপ্পগা মান্নদে। ৱাফম অসি ইশামক্তা থোকখি। মখাদা ইজরি।

ইজরিবা ঐহাকসি নেসনল দিফেন্স একাদেমি (এন দি এ) Khadakvasla (near Pune) দা কুমজা ১৯৭২দগী ১৯৭৪ ফাওবা কেদেট ওইরগা ট্রেনিং তৌজরকখি। য়াম্না শম্না ইজগে। চহী ৩গী ট্রেনিং সেদ্যুল অদু পাউচেসিগী লমায় তঙ্খাইদা ইবদা ৱানা থোকই। ১৯৭২গী সেকেন্দ টিম লোইরমদাইগী সোসল ফঙ্কসনদা ঐখোয়গী দিভিজনগী দিভিজনেল কেদেট কেপ্তেন (দি সী সী) অদু মমিৎ মনাক্তা শোকখি। মহাক্কী অশোকপদু উবদা (মতম অদুদা Admiral Pereira অসি এন দি এদা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট ওইরিঙৈগী তাঙ্ককনি) ঐখোয়গী Echo Squadron Commander দা দিটেল রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফম অমতংগা - ময়াং মচাশিংসিগী মরক্তা মীচং-মীখাই য়াম্না নাইবা, ফম অচৌবশিংবু য়াম্না নীংজবা, মমৈ হাইবা য়াম্না য়াওই। য়াম্না ৱানা অৱাবা কয়াবু খাংলগা, অৱাৎ অপা কয়াসি মেনখৎনবগী মীরম লৈবাক্তা গভর্ণমেন্ট সর্ভিসসি চহী ৩০ হেন্না সর্ভিস তৌজরকখি।

ঐহাকপু মরম ইচা চাদনা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট Pereira গী ওফিসতা মার্চ-অপ হায়বদি পনিসমেন্টগীদমক পুশিনখি। মহাক্না হংখি - Cadet HS. Singh, if you have anything to say? ৱাহংদুগী পাউখুম "Sir I do not know how I have been marched up to you" ঐনা খুমখি। কা অদুদা Battalion Commander Colonel Raza অমসুং D. L. Kapur, Squadron Commander সু এটেন্সন পোজিসনদা লেংদনা লেপ্লিবনি। ঐগী পাউখুমদু তাবদা Deputy Commandant Pereira পুমঙক ঙকখি। মহাক্না ঐগী থম্মোয় উবা ঙমখি। লেঙদনা লেপ্তুনা লৈরিবা ওফিসর অনীদুদা হঙ্গৎনা য়েংখি। মহাক্না ঙাইহাক ৱাখল খল্লগা "OK, March-off Cadet" হায়রকখি। মহাক্কী কা অদুদা চঙলমদাইদা অমসুং থোক্লকপদা Bugle হৌনা খোংই। বেল্ট লৌথোকখি। Beret তি উপ্পী। সেল্যুট তৌনবগী। ঐখোয় মরিনি - মার্চ-অপ তৌবদু - Cadets H.S. Dhillon, R.P. Singh, Apurba Sikdar অমসুং ঐচ এস সিংহ (ঐনি)। মখোয় অহুম নুমিৎ ২৮নিগী পনিসমেন্ট ফংখি। ঐদি পনিসমেন্ট অমত্তা ফংখিদে। মরমদি ঐহাক লানখিদে। মখোয় খরনা লৌতুনরগা ঐহাক্কী মিংসু হাপচিনখিবনি। ঐগী ঈদা য়াওরক্লবনি - অচুম্বনা জয় হায়বসি। অদুনা তাইবঙসিদা শান্নরিবা মীওইবগী লীলাশিংসি উবদা থম্মোয় পেন্না নোকচৈ। অচুম্বশিং ইবা য়াদবসি থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতে। চহী অহুম জর্নেলিজমশিংগী লাইরিক পারগা কোর্স তৌজখি। অদুবু অচুম্বগীদমক ওইবা পাউজেল অমদি ফোঙবা ঙমখিদরে। ঐগী মতেং পাংবীনবা কনাসু লৈতবনা ঙমখিদবনি। গুৱাহাটিদগী ফোংলগা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা চাইদুনা লৈরিবা মণিপুরী মচাশিংসি অমুক্তা পুনশিন্নবগীদমকসু কন্না হোৎনরমখি। মহয় য়ানখিদ্রে।




হৌজিক হৌজিকমকসু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু ঙাক শেনগদৌবা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবনা মীচং মীখাই নাইবা ৱায়েল বিচার চথুরি। বৃটিশনা শেল্লম্বা লোশিং হৌজিক ফাওবা চৎথনরি। ফিজি কেল্লি ফ্রীদম ফংলবসু মেন্টেল্লিদি স্লেভরি এটিচ্যুদ লৈরি। মী হাৎপা মীওই অমবু বেল পীবা য়াবরা? লোদা ইনাক খুনবা নৎত্রগা লায়রবা লৈবরা? জজবু পৈশানা লৈবা ফংবরা? ইচম চম্বা অঙ্কগী ওজা অমবুদি জেলদা থম্নবগী চার্জশীট শেমলি। অদুগা রেপ তৌবা, মী হাৎপা কয়াবুদি বেল পীরি। অসিগুম্বা ৱায়েল-বিচারসি নরক্কী লৈবাক্তা ফাওবা চৎনরম্লোই। অসুম্না অসুম খল্লুবদা মরু ওইনা ঐখোয়গী খুন্নাইসি ঈশি শোয়খ্রবা লৈবাকনি হায়বদা করিসু লানদে খল্লি। ঐহাক্কী ৱাখলনি।

Admiral Pereira (Ronnei হায়না কৌনৈ) হেক পোকচবা মচা লৈখিদে। অদুবু এন দি এগী কেদেট ১২০০ অদু মচাদৌনা লোয়নৈ। য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইনা, দিসিপ্লিন লৈনা, চেক-মোক লাওদনা মী অমমম ওইননবা শেম্বীখি। কুমজা ১৯৭২দা থোকখিবা থৌদোকশিংদু ঙসিসু, হৌজিকসু মিৎ মাংদা উরি। মহাক চেন-স্মোকরনি। লঙস অমখক য়াওই। নোংমদা পুং ২/৩দগী হেন্না মহাক তূমদে। ইম্ফাল এরিয়াদগী হেন্না পাক চাওবা এন দি এগী কেম্পস অদুদা মহাক মফম খুদিংদা, মতম পূন্নমক্তা য়ৌনবা হোৎনৈ। মী ২৫০০ মুক মেছিনদৌনা মথৌ তৌহনবা হায়বসি অরাইবা থবক্তি নত্তে। মহাক্কী কম্মান্দ অদু অঙকপনি। মহাক ময়ূম ফজনা শাখিদে। Fiat Car অমখক লৈরমখি। স্কুটর তোংলগা Corps of diplomat হায়বদি ফোরেন এম্বেসেদরশিং পার্টিদা চৎপগী ৱারী থল্লমখি। গভর্ণমেন্টকী প্রোপর্টি অমত্তা মহাক্না লান্না শীজিন্নখিদে। মশানা শেমজবা রুল অদু মশানা ঙাক্না চৎলগা Exemplary Example অমা থল্লমখি। য়াম্না শীংথানীংঙাই ওইবা মীওইনি। ইন্দিয়াদতা নত্তে। ৱর্ল্ড সিটিজননি।

এন দি এ কেদেটশিং মরক্তা Lower-Income Group তগী লাকপা কেদেটশিংদা পৈশাগী মতেংসু পাংখি। থা খুদিংগী পোকেট মনি লুপা ৪৫ ফংখি। মখোয়গী মনুংদা ঐহাকসু অমনি। লৈত-লায়রবু নুংশিবসি মালেমগী ওইনা মী ইয়াম য়ামদে। মহাক্কী লন-থুম অমত্তা লৈতে। চীফ ওফ দি নেভেল ষ্টাফকী Tenure লোইরগা, ন্যু দেল্লী রেলৱে ষ্টেসনগী জর্নি চৎকদৌবা নুমিৎতুদি রেলৱে ষ্টেসন অদুদা মহাকপু See-off তৌবা মীয়ামদুদি ঙসি ফাওবদা Armed Forces Circle দা ৱারীনরি। মহাক বেঙ্গলোরদা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি। হৌজিক ফাওবদদি ইন্দিয়াগী আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সতা মহাক্কুম্বা মীওই অমত্তা য়াওদরি। মহাকসি তাইবঙ শেম্বা মপুদগী হেনবা মীনি।

মহাক্কী অচম্বা, কৎথোকপগী থম্মোয় অদু ঙসি ফাওবদা অতিয়াদগী হেন্না ৱাংনা থল্লি। কুমজা ১৯৮২গী ফেব্রুৱারী ২৬তা মহাক্কী হকচাং লোইখরে। অদুবু মহাক্কী মীংচৎ অমদি মমিংদি নোংম-নোংমগী হেন্না ঙানখৎলক্লি। মতুংদসু হেন্নদুম লংলকখিগনি। মহাক্কী মপুন্সিদু তুমশিৎ ফানা তূম্বা ফংখিবা মীওই নত্তে। মহাক মশাগীদমক করিসু খনখিবা লৈতে। মীয়ামগী য়াইফনবগী খনবদা, মশাগী ওইজ-ওইথক করি অমত্তা তানখিদে। মশাগী মরমদা মহাক্না করিসু ইরমদে। মশানা তূমিন্না মখোল থোক্তনা পাঙথোক্লম্বা থবকশিং অদু মহাক্কী থৱায় হকচাংনা লৈত্রবা মতুংদদি মীয়াম মমাঙদা অতোপ্পনা ইরগা ফোঙদোরকপা ঙাক্তনি। মশানা মশাবু থাগৎচবা মীওই ওইখিদে। কথোকপনা হেল্লবা মীওইনি।

অফবা থবক হায়বসিদি চিননা মীনম্বা ঙাঙবদু নত্তে। কনাদসু তাক্লমদনা, উৎলমদনা থম্মোয় শেংনা থবকশিং মথং মথং পাঙথোক্লম্বা অদুনি। ঐখোয় পূন্নমক অফবগী খোঙ্গুন তুংইনসি। ●